# “মপাম চাকসু চাদ, মৱা চাকসু চাদা-!”

- এল ইবোমচা -

মণিপুরদা শৈদাংফম লৌরগা খুন্দা লৈতাদুনা লৈশিল্লরিবা রিফ্যুজি চিন কুকিশিংনা মখোয়গী ওইবা কুকি হোমলেন্দ অমা শেম্নবা ঈহৌ হৌরক্লিবা মসিমুক ঙকপা লৈতে। হায়বদি মণিপুর মচেৎ তানা থুগাইরগা কুকিলেন্দ অমা শেম্নবা দিমান্দ তৌরকপা অসিবুনি। দিমান্দ অসি মণিপুর লৈঙাক্তা অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তাল্লুবগী মহুত্তা মীতৈশিংদা থৌওইনা ওনশিল্লগা বোম, টোপ, নোংমৈনা লান তাশিল্লকপনি। হায়বদি মখোয়শিংবু শৈদাংফম পীবিরিবা লম মপূ ওইরিবা য়েলহৌমী মীতৈশিংবু মশাগী মরমদগী শিৎ নান্না পূন্না তান্থোকখ্রগা মখোয়না ওইনা লৈহৌরগা কুকিলেন্দ কৌবা লৈবাক অমা শেমহৌগে হায়বগীনি। মমাঙ৙ৈ মতমদদি কুকিশিং ইচম চন্বা পূন্সি মরেল অমদা হিংলম্বদগী কুকিলেন্দ শেম্নিংবগী ইখৌ লাংবা নোংমা নোংমগী হেল্লক্তুনা অথুবদা লান্দাবা য়াননবা কুকি লালহৌবা গ্রুপ মশীং খঙদনা লিংখৎতুনা থন্মী। অসুম্না মীতৈশিংদা লান্দাশিল্লগা লম মুন্নবা শেম শাবা হৌরকখিবসি ঙসিদগী চহী ২২/২৩গী মমাঙ হায়বদি কুমজা ২০০০/২০০১গী অদুৱাই মতমদগী হৌখ্রে। তৌবতদি লান্দাশিনবা য়াবগী ইস্যু লৈতবনা য়াম্না ৱানা খাঙলকপদুনা হন্দক্তা মীতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব তানবগী দিমান্দগা মরী লৈননা কোর্টনা পীরকপা ভর্দিক্ট অমদা মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিৎ অসিদা তৌশিন্নবা মাস রেল্লি অমা চৎশিন্নরগা ঙাইহাক্কী তুংদা খঙহৌদনা লুল্লগা মীতৈশিংদা ওনশিল্লগা লান্দাবা হৌরকখি। নুমিৎ অসিগী য়াচংবা মতমদা চিন-কুকি-জৌ-পাইতে, অশুপ্পদা ‘নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং’ না মীতৈশিংদা লান্দাবা হৌরকখিবনি।

অসুম্না চহী ফানিংচিৎ চত্থরক্লবা লান অসিনা মরু ওইনা চীংখোঙ চীংয়াদা খুন্দারিবা মীতৈশিংদা য়াম্না শাথীনা অৱাবা ফাওহল্লে। কুকিশিংনা মখল মখা কয়াগী পান্থে শীজিন্নদুনা মীতৈ খুদিংমক অরাপ্পা মফম অমদা তকথোকখিনবা হোৎনবা লেপ্তে। লাইবক থীবদি মপান্দগী য়াওনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ ৩৫ রোম লৈরিবা মসিগী মরক্তগী ফূরুপ অমত্তনা মীতৈদা লান পাংগে থোক্লক্তবা অসিনি। চাউখ্রবা য়ূমজাউ অমা কুকিশিংনা মৈ থারকপা মতমদা ঐনা লৈজরিবা কা অসিদং চাকপদা য়াওহল্লক্কনু অমদি বোম, টোপ, নোংমৈ কাপ্লকপদা মরূ য়ৌহল্লক্কনু হায়বগী ফীভমদা লৈনরি। অমরোমদা মীতৈ হায়বা ফূরুপ অসিসু অঙকপনি হায়বা য়াই মদুদি মপোকসিগী চীংদা কাদুনা খুন্দাবসু য়াররোইদবা ঐগীনি হায়রবসু ঐগী শরুক য়াওদ্রবা চীংগী লমদম অসিবু মণিপুরদগী মচেৎ তাহনবা য়ারোই, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন লৈবা য়ারোই, অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না শিদৎ তৎনা লেপ্লি। অদুবু মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফূরুপ অমত্তনা লান পাংলবদি লায়রদনা মীতৈগী য়ূম লিশীং মঙাগী মথক্তা মৈনা তুম্না থাদোকখিবা, নোংমৈনা পানবদগী অশোক-অপন, অশি-অনা কয়া নংনদুনা মীকপ মীরাওখোলনা নিল্লবা মতম অসিদা অৱাবা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগী ৱাফম অমত্তা তাখিবা লৈখিদ্রি। মতাং অসিদা মীতৈশিংনা মণিপুরদা লৈরিবা ফূরুপশিংদা হংনীংবা ফাওরিবদি লান অসিদা কুম্মৈগুম্না য়েংদুনা লৈরিবসি মীতৈনা কনাদা করি লানখিবা য়াওখ্রবগে হায়বসিনি। মীতৈশিংনা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিবু মপূং ফানা শৌগৎলুবা অদুগীরা হায়বসিনি। মসিগী ওইরবদি মণিপুর লৈঙাক্লা চীংদা রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া কন্নবা হোৎনরুবদু লাল্লি হায়রিব্রা? চীংদা উমং কোকথোল্লগা পোপি পান্থী থাবদা অথিংবা পীরুবদু লাল্লি হায়রিব্রা? পোপি পান্থীশিং লৈঙাক্লা য়ান্থৎতুনা মাঙহল্লুবদু লাল্লি হায়রিব্রা? মণিপুরদা এন আর সী চৎনহল্লু লাউরুবদু লাল্লি হায়রিব্রা? লান হৌরকফমগী নামা থোংলিবা মীতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তাল্লুবগীরা মণিপুর হায় কোর্টনা মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তাল্লিবসি মরম চাই, অথুবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীনবা হোৎনগদবনি হায়বসু নত্তবা পীরকপা ভর্দিক্ট অদু লাল্লি হায়রিব্রা? হায়বসিনি।

অশেংবমক্তি হন্দক্কী লান অসি নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা চত্থরকপা ওইবনা ইন্দিয়া অপূন্বগী মথক্তা চত্থরকপা লান অমনি হায়না লৌবা য়াই। মীতৈশিংনা লানসিদা মায়থীবা নংলবদি ইন্দিয়া মায়থীরে হায়না লৌবসু য়ারে। অদুগা লান অসিদা ৱা-লান অমত্তা ঙাঙদনা খোঙ্গ্রাই চল্লগা লীলা য়েংবগুম্না লৈরিবা কুকিগী মনুং চন্দবা ফূরুপশিংদা অমুক তাইনরক্কনি। মরমদি তুরেল তোর্ব্বান কায়দুনা ঈশিং হায়জিল্লক্তুনা পূন্না লৈমিন্নরিবা য়ূম থুল্লবদি ঐগী কাদুসু থুম্বা তাবনি। ঙসিদি তুরেল তোর্ব্বানগী মশক ওইরবা চীংয়াদা তাবা মীতৈগী খুলশিং অসিনা ফৈগাক ফৈনা ঙাক্তুনা কুকিশিংবু তম্পাক লম মনুংদা চঙহন্দনা থৎতুনা লৈরি। চীংয়াগী খুলশিংসিনা তুরেল তোর্ব্বান্না কায়বগুম কায়খিবদা তম্পাক্কী ময়াই চবুক্তা তোমথিল ঙাল্লিবা ইম্ফাল সহর কুকি মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চনখিবা হায়বসি করিসু নত্তে। ইম্ফালবু খুদুম চনখিবা হায়বসি পূম্নমক খুদুম চনখ্রবনি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙমিন্নবা চঙই। মতাং অসি য়ৌরকপদা লীলা য়েংবগুম্না য়েংদুনা লৈরিবা য়েলহৌমী ফূরুপকী মীওইশিং নীংঙল্লক্তবা পোক্লক্তুনা থবাক্তা খূৎতুম্না শুদুনা লৈবা তাবনি। মীতোপ্পা মণিপুরগী মপূ শাদুনা লৈবদু য়েংলগা লৈবা তাবনি। কোন্না নীংঙমদবা পোক্তুনা লৈহৌবা তাবনি।

অশেংবসু নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরক্লিবা য়েলহৌমী ফূরুপ অমত্তদা ঙসি ফাওবসিগী মনুংদা মীতৈশিংনা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্মী হায়দুনা হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংখিবা লৈখিদ্রি। অদুনবু ঙসি ঙসিসু মীতৈশিংনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না অকনবা খোল্লাও লাউদুনা লৈরিবনি। হৌজিকসু মীতৈ কয়া অমা মমা লৈবাক মণিপুরগীদমক্তা অশোক অপন অমসুং শিবা চঙবা নাচুংদনা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংগা অকনবা মওংদা লান শোক্লরি। লান হায়বসিমক্তবু নাকল অনীমক অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বা ওইগদবনি। অদুবু ঙসিগী লানসিদি কুকি মিলিটেন্টশিংনা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায় পায় অদুগা মীতৈশিংনা লৌশিংনা খূৎলায় ওইরগা মশা ঙাকথোক্লবা হোৎনজবনি। মসি পূম্নমক মণিপুরসি মীতৈশিং খক্তগী ওইগে, হিংগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা শোক্লবা লান নত্তে, পূন্না হিংমিন্নগে, পূন্না লৈমিন্নগে হায়বগী ৱাখলদনি।

মীতৈশিংনা খ্বাইদগী মরু ওইনা খনবা ধর্ম্মদি ঐখোয় পূম্নমক নুংশি চান্ননা পূন্না হিংমিন্নদুনা লৈমিন্নবা হায়বসিনি। নুংশিবা লৈতবা মফমদা থাজনবা লৈরোই। থাজনবা লৈতবা মফমদা পূক্নিং লৈতাবা (শান্তি) লৈরোই। শান্তি লৈতবা মফমদা শেম্বীবা মপূ লৈরোই। শেম্বীবা মপূ লৈত্রবদি ধর্ম্ম হায়বা অমা লৈররোই খঞ্জবা ফূরুপ্পি। ওইদবা ঙাঙবা, হুরান চিন্থি তৌবা, মী হাৎপা, মীগী ময়ূম মৈ থাবা, মশেল নুংশিনদনবা শিনবা, ফত্তবা করবার তৌবদা হৈনদবা ফূরুপ্পি। অতোনবদা তুহৎপা, খূৎলায়না ফূরুপ অমদা লান্দাবা, কল্লক মীহৌ চাউবা, লম করাম্বা ধর্ম্ম নত্তে, মহা পাপকী মশক্লি খঞ্জবা ফূরুপ্পি। অদুগা চীংমী তম্মী ইমা অমত্তগী মচানি হায়বা চেৎনা থাজবা মীতৈশিংনি। অদুবু তৌথোরকপা থবক্লা হৌরকফম মশক খঙলকপনি হায়না অহল লমনশিংনা হায়নরম্বদু চপ চানা মীৎমাংদা থোক্লরে মদুদি - মণিপুর লৈঙাক্লা ‘সূ’ ইনরিবা লমহেন তুহেনবা কুকি মিলিটেন্ট অমসুং ম্যান্মারগী নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংগা খূৎশম্নরগা ইন্দিয়াগী মণিপুরদা কুকিলেন্দ অমা শেম্নবগী মীতৈ ফূরুপ্তা লান্দারক্লিবা অসিনা তাকচরে। মীতৈশিংদগী লম মুল্লগা কুকিলেন্দ অমা শেম্বগী লান অসিনা মায় পাক্লবদি পূন্না লৈমিন্নগনি হায়বগী পান্দমদা চহী কয়াগী মমাঙদগী ম্যান্মারগী নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংবু য়েরূম, শঙ্গোম, ঙানচিংবা পীজ-পীথক তৌদুনা মশা-মউ ফনবা, পাঙ্গল থৌনা লৈনবা থাক্তুনা থল্লকপনি। হৌজিক্কী মতমদা বোম, টোপ, নোংমৈনা লান তৌনদুনা মীগী ময়ূম মকৈ মৈনা তুম্নবা থারগা লান মায় পাক্কদবা নত্তে। উতাংবীনা উপাল ওইবা য়াদে, ইথক্তা থোক্লিবা থাজ খূৎনা লাম্বা ফংবা হৌনদে খঙনা খঙনা খঙদা শানা লান্দারি। কোক্লা শোক্লগদবা লাননি খঙদা শারি। করিগুম্বা লানফম অসিদা মায়থীবা নংলবদি মণিপুরগী য়েলহৌমী শারিবা লৈঙাক্ক সূ চৎনরিবা কুকি লালহৌবশিংনা মখোয়দা মতেং পাংনবা শঙ্গোম, য়েরূম, শা মতুম, ঙা মতুম্নচিংবাপীজ-পীথক তৌদুনা চাউনবা য়োক্লুবা ম্যান্মারগী নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং মরৈবাক চিন ষ্টেট, শগাইং ষ্টেট অমদি রাখাইন ষ্টেটতা মরন্নাই হঞ্জখিনি।

লুরিবদি মণিপুরদা শৈদাংদুনা লৈরগা য়েলহৌমী শারগা লৈরিবা নার্কো কুকিশিং অসিগী খনবীরুবদা ৱাদবা ঙমদে। মরমদি মখোয়গী ওইনদি মণিপুরদা লৈবা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাক অমত্তদা চৎফম মফম লৈরোই। হান্নগুম্না মণিপুরদা শৈদাংদুনা লৈরগে হায়বদা মীতৈশিংনা হরাওনা য়ারক্কদবসু মান্দে। ‘মপাম চাকসু চাদা, মৱা চাকসু চাদা-!” হায়বা মীতৈ পাউরৌদু তাদুনা তোক্লগনি। ●

# ঐখোয়গী মীখল

মতম মতমগী
গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্ম

তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোক্কদবা লোক সভাগী মীহুৎ ৫৪৩ খন্নবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল থা অসিগী ১৯দা পাঙথোকখ্রে। মণিপুরগী সিট অনী লৈজরবসু অমদি সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী রিজার্ভ সিট ওইখিবনা ঐখোয় মীতৈগী অমখক্তা ঙাইরবা এম পি অমগীদমক লম্বা তৌনখিবা মীরেপ তরুক্কী মরাইবক ঈ ভি এমদা চাজুম নমদুনা থমখ্রে। লাক্লিবা জুন ৪দা কনানা ঐখোয়গী মীহুৎ ওইগনি খঙবা ঙল্লগনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ফেষ্টিবেল ওফ দেমোক্রেসিনি হায়জরিবা মীখল ঐখোয়গী লমদম অসিদদি ‘য়ুবী লাকপী’ নি হায়ববু য়ারে। য়ুবী লাকপীদি কাঙলোন অমগী মখাদা লাক্লবনা খরবু ফরি হায়না লৌবা য়াই অদুগা মীখলদি চৎন কাঙলোন লৈজরবসু তৌনীং তৌনীংবা মনীং তম্না তৌনরকপনা ওন্ন-তৈনবা মওংদা লাক্লে। ঙসিদি মীখল অসি শক্তি লৈবা, শেল পায়বা, শঙ্গ চাউবা, অকন অথৌশিংগী অচৌবা পোলিটিকেল গেম অমা ওইখ্রে। নোংমৈ পায়বা মীওই য়াম্না লোয়বা ঙম্বা মীওইশিং অমদি পার্টিনা মীখলদা মায় পাকপগী চাং ৱাংলে। ইন্দিয়াগী অচৌ অচৌবা ষ্টেটশিংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী চৎনদুনা লাক্লবা ঐখোয়না পাউ ওইনা তাদুনা লাক্লিবা ইলেক্সনগী প্রেক্টিসশিং তপ্না তপ্না লমদম অসিদসু য়ৌরক্লে। লুপা ক্রোর কয়া কয়া চঙনা মতম মাঙনা লৈঙাক্কী মশীং য়াল্লবা মেন পৱার শীজিন্নদুনা পাঙথোক্লিবা মীখলদা মীয়াম্না মখোয় মখোয়না পামজবা অশেংবা মীহুৎ খনবা ঙল্লবরা হায়বসি ঙসিগী অচৌবা ৱাহং অমা ওইরে।

মমাঙদগী হৌনা চীংগী লমদা পাঙথোকপা মীখলদি ইলেক্সন নত্তে, সিলেক্সননি হায়নরম্বদু ঙসিদি তম্পাক লমদসু মদুগী মমি তাবা হৌরক্লে। সহর ময়োলমক্তা থোক্ত্রবসু খরা হাইদোকখ্রগা লৈবা মফমশিং মরু ওইনা মীরেপ অমগী সপোর্টর মশীং য়াম্না লৈবা মখোয়না দোমিনেট তৌবা মফম খরদদি নোংমৈ অমদি শক্তি শীজিন্নদুনা মখোয়গী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিং মীখল নুমিত্তা ভোট থাদবা থোরকপা য়ারোই হায়না কিহন-খংহন্দুনা ভোট থাদবা থোকহন্দ্রগা মহুৎ শিন্দুনা থাদবগী পাউ তানরক্লে। ভোটরশিংগী মরক্তসু চহী মঙাগী মনুংদা অমুক্তং ফংবা নিংথৌ শেম্বা য়াবা, মীচম মীয়ামগী খন্দবা পোলিটিসিয়নশিংবু চৌরাক পীবসু য়াবা ভোটর অমা ওইবগী হক অদু কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবা মীগী মশীং নোংমা নোংমগী হন্থরক্লি। লৈবাক্কী অমদি খুন্নাই অসিগী অফবা থবক তৌরক্কদবা মীরেপ্তা ভোট পীববুদি মশা মশাগী ওইজবা ফংগদবা কান্নবা লৌবা য়াগদবা মীওইদা পীবা পান্বা মীগী মশীংনা হেনগৎলক্লি। লমদম অসিগী মীওই কয়ানা মীখলগী ঙাকফম থোকপা কাঙলোন ঙাক্লিবগে? ভোটরশিংদগী হৌরগা পার্টিগী ৱার্করশিং, মথৌ পাঙথোক্লিবা লৈঙাক্কী থৌমীশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং, পোলিটিসিয়নশিং অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মীওইশিংগী মনুংদা মীওই কয়ানা মীখলগা মরী লৈনবা মশা মশানা তৌফম থোকপা মথৌশিং কাঙলোনগী মতুংইন্না পাঙথোক্লরিব্রা? লোইনমক্তি হায়জরোই অদুবু অয়াম্বদি মতম মতমগী খুদোংচাবা লৌবা, প্রোব্লেম থোক্তনবা অচুম অরান য়েংদনা কমপ্রোমাইজ তৌবা অমসুং লোইখ্রগা লোইরে খনবা মীগী মশীংনা হেনগৎলক্লি। পোল্লিং বুঠতা পুঙ্খাইমুক ঙাইরগা শোয়দনা থাদরগদবা ভোট অনাবা, অশোনবা শারগা মীনা মতেং পাংদুনা গাড়ীদা পুরক্লগা ঙাইনদনা থাদরগা চৎখিবনা লেম্বা, হৈশিংবা, থবক ঙম্বনি খঞ্জবা ইকায় খঙদবা মীগী মশীং হেনগৎলক্লি। ভোট থাদনবা পুঙ্খাইমুক লাইন্দা লেপ্তুনা ঙাইবদুদা গাড়ীনা হোল্লকখিবা অনাবসি মশীং ফনা য়ামখ্রে, ঐখোয়গী লৈকায়সি অনাবগী অনাবা, অশোনবগী অশোনবা ঙাক্তা ঙাইরল্লে। নহান্দা সাইকলদা চেঙ (ফ্রীদা য়েনবা) লৌবা লাকখিবা মীওই অমসু গাড়ীদা পুরক্লগা মীনা শমদুনা চঙলগা ভোট থাদখি, মহাকপু শেন্নরকপা মীওই অদুসু অদুম থাদখি। অয়ূক্তা ৱাকিং চৎহৌবা মীওই অমসু গাড়ীদা পুরক্লগা চৈশু অমা পায়দুনা য়াম্না ৱানা চঙদুনা থাদরগা চৎখি।

নহানৱাই হায়বা তারে, ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী ১৫/২০ মুক্কী মমাঙদা ওইরম্বা য়াই ঐনা সর্ভিসতা লৈরিঙৈদা চৎখিবা ইলেক্সন দ্যুটিদা থেংনখিবা অমা নীংশিংলকই। মুসলিম খুল অমদনি, অয়ূক ভোট থাদবা হৌরকপদা নহা অমনা অহল অমা মখূৎ শমদুনা পুশিল্লকই। মখূৎতা ঝাড়ি (ঈশিং হাপ্পবা হেন্দল পানবা পাত্র) অমসু পায়, মদুদগী ঈশিং লৌর লৌরগা মমিৎতু য়াম্না তোয়না শেংদোকই, মমিৎ নুংঙাইতবা মাল্লি, উদবমক্তি নত্তে। মখোয়গী খুলগী মুসলিম মীরেপ অমসু য়াওই, মহাক্কী সিম্বোলদু এরোপ্লেন ওইরমাল্লে, বেল্লোট পেপর শীজিন্নরিঙৈদনি। মহাক্লা চঙলকপদগী হৌনা ‘ঐগীদি এরোপ্লেন্দো, এরোপ্লেন্দো’ হায়রগা চঙলকই। লাকমিন্নরিবশিং অদুনা প্রিসাইদিংবু নমহল্লু, প্রিসাইদিংবু নমহল্লু হায়রকই। অহল অদুনা নম্বদি ঐ নমগে সাহেবনা শোয়দনবা মপাদো খরা তাকপীয়ু হায়রকই। এরো মার্ক য়াওবা ষ্টাম্পদো পায়হল্লগা ভোটিং কম্পার্টমেন্টদা পুশিল্লগা এরোপ্লেন য়েকপা মপাদুদা নমহন্নবা হোৎনৈ, মহাক্লা মথক্তা চীংখৎলি, ঐনা মখাদা এরোপ্লেন য়েকপা মপাদুদা চীংথনবা হোৎনৈ। মানা মথক্তা চীংখৎলগা খূবাক য়েকপা মপাদা কীৎ লাওনা নল্লগা ‘হো অসিনিদনা’ হায়রল্লগা থোকখি। ঐনা হায়নীংলিবদি তৌশিন্নবগী থবক অসি তোক্লসি কৈদৌনরুনি? চৎপা ঙমদবা অশোন-অনা ওইরবদি ফরেনে, লাইন্দা লেপহন্দনা হান্না থাদহল্লসি মদুদি নত্তনা মশা ইকন কনবা লাইন্দা ঙাইহাক লেপ্পা তনবগীদমক নাশিন্নরিবা মীওইশিং অদুনা খল্লকপা মীহুৎ অদুদগী করি অনৌবা অফবা আশা তৌগনি? করি অফবা তৌরক্কনি?

মীখলদা মথৌ তৌরিবা লৈঙাক্কী থৌমীশিংসু লোইখ্রগা লোইরে খনবনা অয়াম্বনি। মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা প্রোব্লেম থোক্তনবা ঙাকফম থোকপা কাঙলোন ঙাকপগী মহুত্তা মফম মফমদুগী ৱার্করশিংগা য়াশিন্নবনা অয়াম্বনি। ঐহাক্লা সর্ভিসতা লৈরিঙৈদা মতম অদুদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনগী রিহার্সেলদা ওথোরিটিনা অরানবা তৌমক হায়দ্রবসু য়াম্না তোয়না হায়খিবসি ‘খ্বাইদগী হৈ-শিংবা প্রিসাইদিং ওফিসরদি মীখলদা প্রোব্লেম থোকহন্দবা মীওইদুনি’ হায়খিবদুগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক মীপূম খুদিংমক্লা খঙলবসু আইনগী ময়োক্তনি হায়না লৌনদে। ঙসি ফাওবদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংদা প্রিসাইদিং ওফিসরগী দাইরিদা (য়াম্না চাউবা ৱাথোক লান্থোক থোক্তুনা ভোট কায়খিবা নত্তনা) প্রোক্সি ভোট য়াম্না য়াওখি, বুঠ কেপচর তৌখি, মীওই খরনা অরানবা তৌখি হায়না ইরকপা য়াওখ্রবরা? কাউন্টিংদা বেল্লোট পেপর একাউন্টবু (তিনশিনবা খাইদোকপা) চুল্লবদি পূম্নমক চুল্লে হায়না লৌখিবনা অয়াম্বনি। ঙসি ফাওবদা রি-পোল তৌখিবা অসি ঈ সী আইগী ওর্দরনা পাঙথোকপা ওইরবসু পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রগা কেন্দিদেটনা কমপ্লেন্ট তৌরকপগী মতুংইন্না য়েংশিল্লবা তৌদবনা অয়াম্বনি। মদুসু তৌদবা য়াদবা খরা খক্তনি, তৌদবনা অয়াম্বনি। কমপ্লেন্ট লাক্তবশিংদি অশোয়বা অরানবা অমত্তা য়াওদ্রে হায়না লৌনরি। প্রিসাইদিং ওফিসর, জোনেল মেজিষ্ট্রেট, সেক্টর মেজিষ্ট্রেট, এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসর, রিটর্নিং ওফিসর, ওবজর্ভরনচিংবা ময়াম অমনা কুপশেন শেন্নদুনা পাঙথোক্লিবা মীখল অসিদা দেমোক্রেসিগী অশেংবা ৱাহন্থোক ফংলবরা, মশীং য়াম্বা ভোটরশিংনা য়াবা মীহুৎ ফংলবরা হায়বা ৱাহং অমদি লৈরে। মশা মশাগীতা খনবা মশীং য়াল্লবা ভোটরশিং (লোইনমকপুদি নত্তে) এনি হাও কাহৌদবা য়াদে হায়না খনবা কেন্দিদেট, ৱার্কর, পোলিটিকেল পার্টিশিং, লুচিংবশিং, দ্যুটিনি লোইখ্রগা লোইরে খন্না মথৌ তৌরিবা লৈঙাক্কী ওফিসলশিং অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটি পূম্নমক অসিনা পূন্না শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা মীখল অসিনা পুথোরকপা ঐখোয়গী মীহুৎ অদুনা লাক্কদৌরিবা চহী মঙা অসিদা করি করি তৌরকপা য়েংমিন্নখিসি। ●

# টাইফুন মনুংদসু নুংশিবগী চাংয়েং

## (টাইফুন মায়োক্নদুনা খুদোংথীবা নংলবা বস অমা চীংচেপ্তা শের ফলাগুম্না হাইর-হাইরদুনা লৈরিবনি, মদুদগী মখোয়গী পূন্সিবু কন্ননবা হোৎনরিবা দ্রাইভর কেপ্তেন চেনগী মথৌনা)

- সৌবাম বিরধ্বজ -

নুংশিবগী মফমদা ঙমদবা অমত্তা লৈতে, শিফম-নাফমগী থবক কয়া অমা নুংশিবগীদমক হেক্তা অদুমক পাঙথোক্লিবনি। মসিমক নুংশিবগী ময়েক লারবা খুদমনি। মহাভারতকী ৱারীদা ভিমবু নুংশিৎ নিংথৌনা মাইল লিশীং ১০০/১০০ হেন্না (টাইফুন/হরিকেন/অকনবা নুংশিৎ মপি) অমনা হুমদুনা য়াম্না লাপ্না পুরগা থমখিদুনা (ভিমগী পূন্সিদা অমুক হন্না ময়ূম লমদমদা হল্লকপদা চহী ২৩৪ চঙলগদৌবা অরাপ্পা মফম) দা য়ৌখিবগুম, লম কোয়রোইশিংনা বস তোংদুনা (হাসকিং) চৎলিঙৈদা টাইফুন/হরিকেন অদুনা হুমজিল্লকখিবদা বস দ্রাইভর হিরো কেপ্তেন চেন (১৯) না বস অদুদা তোংলিবা মখোয় ১৮দা শিৎ বেল্ট লোইনমক ফাজিন্নবা লাউরকখি। টাইফুন মায়োক্লুবগী ককঙাওনরবা অচৌবা জহাজ অমনা সমুদ্রগী মায়কৈদগী মখোয়গী বস তম্না মায়কৈ খঙদনা থৌজিল্লকখি। মদুদগী নান্থোক্লবা কেপ্তেন চেননা বসকী খোঙজেলদু ফুল স্পিদতা নেৎশিল্লদুনা খুদোংথীবা অদুদগী উচিন নাচিন্না নান্থোকপা ঙমহৌরে। চেন অমুক হন্না বসকী ষ্টিয়ারিংদু উরু-উরু য়েৎ ওইদা লৈর-লৈরদুনা ঙমজবী থাদুনা চীং লম্বীদুদা চীঙ্গোলগী থেক্কোই-নাকোইরবা লম্বীদুদা য়াম্না হৈশিংনা খোঙজেলদু য়াঙনা থৌরিবনি। অসুম্না টাইফুনগী নুংশিৎ মৈরমদগী নান্থোক্লবা দ্রাইভর কেপ্তেন চেননা থৌরিবা মহাক্কী বস খুথৌদুদা তোংলিবা লমকোয়রোই নুপা নুপী অপূনবা ১৮না পুমঙক ঙক্লিবনি। টাইফুন/নুংশিৎকী শাহুম মায়োক্লরিবা বস অদুগী টয়ার অদু ফোং ফোং শাগৎলক্লদুনা মমাঙ চাকাগী টয়ার অদু নান্থোক্লদুনা শুপ্নতংগী স্পোক্কী চকাখক্তংনা থৌরকপনা খুদোংথীবা মথং মথং মায়োক্লরবা তুংদা চীংচেপকী লম্বীদগী হাইথখিদুনা বস অদু ৭/৮ লক মথং মথং ওন্থরক্লিবনি। মীকুপ অদুদা মহাক্কী নুংশিবী জিঙ্কিগী মমিং লাওরদুনা মহাক্লা থৌরিবা বস অদুগা লোয়ননা পাইথখ্রবনি। মতুংদা অকনবা রোক অমগী মথক্তা শের ফালাগুম্না মনীং মমাঙ হাইর-হাইরদুনা খুদোংথীবা মফম অমদা লৈরিবনি। পেসেঞ্জর খুদিংক্তু ৱাখল তাদনা মিহুন চেঙ্গুম চেঙ্গানদুনা বস মনুংদা লৈরিবনি। ফীভমদু শৌবীং-শৌবীং লাউবা ফীভম অমদনি। খজিক্তং শোয়বদা থৱায় পূম্নমক পুল্লপ মাঙগদৌরিবনি।

খোঙচৎ অদুগী বস দ্রাইভর কেপ্তেন চেন ৱাখল তারকপদা মহাক্কী বসকী মমাঙগী মিংশেল অদু পুমকায় কায়রমখি। মহাক্লা মমিৎ কুফেৎ-কাফেৎ পাঙথোকপদা ঈগল উচেক অমা ইহান হানবদা অকায়বা বসকী মিংশেলদা তোংলম্বদু উরকখি। ইগলদুনা হেক পাইথোকখিবগা কেপ্তেন চেননা মহাক্কী শিৎ বেল্ট অদু লৌথোক্লগা য়েংলুবদা বস অদু শের ফালাগুম্না মনীং-মমাঙদা হাইর-হাইরদুনা লৈরিবদু খঙলকখি। মঙক লৈথোক্লগা থোঙনাওদা য়েংলুবদা অরুবা লোকচপ অদু উরকখি। মশা পূম্নমক পাখৎপনা শ্বাই লাউখিবগা লোয়ননা হৌগৎকে হেক তৌরুবদা বস অদু নাকল অমদা চেপথগে তৌরকখি। পেসেঞ্জর পূম্নমকসু ৱাখল তানরকপদা লৈরম্লিবা ফীভম অদুদা পাখৎনদুনা কোয়লাউ লাউনরকখি। মহাক্লা অকনবা খোঞ্জেলদা য়াম্না কন্না লাউরদুনা পেসেঞ্জর পূম্নমক পূক্নিং ফাথনবা, ফমফমদগী করিমত্তা লেঙদনবা হায়রক্লম্মী। পাখৎলবা পেসেঞ্জর খুদিংমক্লা ফীভম অদু মহাক্লা ওইহল্লিবনি হায়রদুনা লাংনরক্লম্মী অমসুং মঙোন্দা পূম্নমক্লা অশাওবগী ৱাহে চবুন চবুন্না লেপ্তুনা হৈথরকখি। খোন্থি-খোনচোপকী ৱাহৈশিংনা কেপ্তেন চেনদা তাইনরকখি। থৌদৌদুদা চেনগী করি মরালনো? হায়রদুনা মহাক্কী নুংশিবী জিঙ্কিনা চেনগী খুজেংদা পায়রদুনা টাইফুন অসিবু চেনগী মখূৎ অসিনা থোকহনখিবরা হংলকখি? অদুগা চেন লোমদা অমুক ওনশিল্লক্তুনা নহাক হিরো ওইগদৌবনি/নথৌনাসু য়াম্না ফগদৌবনি, নহাক্লা পেসেঞ্জর পূম্নমক্কী থৱায় কনগদৌবনি, থৌনা লৈয়ু হায়রকখি। মহাক্কী নুংশিবীগী ৱাহৈশিংদুনা চেনগী থৌনা হাপখি। বসকী ইমর্জেন্সিগীদমক শীজিন্নবা য়াওরক্লিবা থৌরী মশাংদু মঙক্তা য়ানশিল্লদুনা দ্রাইভর চেম্বরগী (সন রুপ) কী থোঙ মচাদুদা কাখৎলগা বস মথক্তা য়ৌরক্লে। বস মথক্তগী চীংচেপ্তা চোংলদুনা নপখিরম্মী। মহাক্লা বসতগী চোংখিবদা বস অদু নাকল অমদা চেপথগে তৌরকখি। খুদক্তা চেন বস অদুদা অমুক হন্না চোংথরক্তুনা বস মনুংদা লৈরিবা পেসেঞ্জরশিংদা বেলেন্স মান্ননা হান্না লৈনবা খঙহল্লকখি। বস অদু নোর্মেলদা লৈরদুনা চেন অমুক্লা হন্না চীংচেপ অদুদা ফন চোংলদুনা খৈরোই/য়োংগী মতৌগুম্না মহাক্লা থৌনা ফনা হোৎনরিবদু বসকী থোঙনাওদগী পেসেঞ্জরশিংনা য়েংনরিবনি। চেনগী খোঙফম শোয়খিবদগী মহাক নান্থরকখিবা মীকুপ্তা মহাক্কী নুংশিবী জিঙ্কি মমিৎ উইশিন্দুনা পাখৎচদুনা খাঙজখি। কৈসু তৌরমদ্রদুনা হরাওজখি। অদুগা য়াম্না নুংশিবা ৱাহৈনা নুংশিবা চেন নহাক য়াম্না চেকশিল্লুকো হায়না লাউরদুনা চেনগী মফমদা মোমোন মীনোক অমা নোক্লি (হিরো অমসুং হিরোইন) অনীগী নুংশি লিপুন্দু মীকুপ্তা খঙচেৎ চেৎশিন্নখি।

কেপ্তেন চেন হৌজিক আশা অমা মায়োক্লরিবনি। রোক মরক্তা হৌরম্বা অরিবা পান্থী অসিদা চোংশিন্দুনা য়াল্লুনবা থৌরাং তৌরিবনি। ওন্থোক্লা লুখ্রবা লাইবক চাংয়েংনি। পূম্নমক্লসু চেননা তৌগদৌরিবদু খঙলম্মী। মীৎ কুপ্তুনা (চেননা তৌগদৌরিবদু) য়েংনরিবনি। হিরো হায়বসিদি মসিগুম্বসি মায়োক্লবা তাবনি অদুনবু হিরো কৌনরিবনি। চেন য়োংনা চোংবগুম চোংলদুনা নূঙলক্কী রোক কারক্তা হৌরম্বা উ পান্থীদুদা য়ানখ্রে। পান্থীদুদি য়াম্না শোল্লমদুনা চেননা য়াল্লিবা উশাগী মতোন দুগী শরুক্তু তেকখিরম্মী। পেসেঞ্জর পূম্নমকসু পাখৎনরম্মী। অদুবু চেন য়াম্না খূৎলৈ থুনা চীংচেপ্তা খৈরোইগুম্না অমুক চোংলদুনা নপখিরম্মী। পাখৎচাওবী জিঙ্কিগী থম্মোয় ঙাইহাক্কী তৌফম খঙখিদে। জিঙ্কি হৌজিক্তি নুংঙাইবনা লোইরে। মোমোন নোকচরে হৌজিক্তা। চেনগী মথৌনা উরুরগা মসিবু নুংশিবা কৌবরা? হৌজিক্তি চেন চীংদোল য়ৌগদবা খজিক্তং ঙাইরে। মশা পূম্নমক চোকথবনা লোইরবনি। থম্মোয়গী মীহুল তিং তিং চাউনা চাউনা হুল্লবনি। হুমাংনা মশা পূম্নমক চোৎলবনি, পাঙ্গল য়াওরক্ত্রবনি। শ্বর শাংনা শাংনা হোল্লদুনা অরৈবা মপাঙ্গল শীজিন্নদুনা চীংদোল য়ৌনবা কন্না হোৎনরিবনি। তাইবঙ মপূনা চানবীরে, চীংদোল য়ৌরে। হরাওবগা লোয়ননা চীংদোলদা লোংনা মশা পূম্নমক তিংথোক্লগা নুংঙাইনা ঙাইহাক্তং পোত্থাজরি।

চেন অৱাবা ঙাইহাক্তং পোত্থারিঙৈ মমায়দা নোংলিক খরা খিক্লকপদগী ফুক হৌগৎলক্লগা মহাক্লা পুরক্লিবা থৌরীদু বস তম্না থাদরক্লিবনি। অদুবু থৌরীদু থুংগদৌবা খরা ৱাৎলে। বস মনুংদা লৈরিবা নুপাশিংনা মখ্বাংদা ফারিবা পেটিশিং লৌথোক্লবগা লোয়ননা বস মথক্তা মখোয় অহুম অমগী লেংবান্দা অমা মথং মথং কাখৎনদুনা থৌরী মচিন্দু ফংনবা হোৎনরম্মী। তাল্লক অদুদা টাইফুন অদু মায়কৈ অদোমদা হুমজিনবা হৌরক্লে হায়না থৌরাং অদু খুমাং য়াংশিন্ননবা পূম্নমক্লা য়াম্না কন্না হোৎনরিবনি। থৌরী মচিন্দু কন্না হোৎনদুনা হৌজিক্তি ফংলে মদুদা অমুক্কসু প্লাষ্টিক্কী ফিশিং নেট/লাং মচিন্দু চেৎনা পুনশিল্লদুনা প্লাষ্টিক লাং অচৌবদুদা মী অমমম মথং মথং চীংখৎনদুনা চীংথক্তা য়ৌনরক্লিবনি। বস মনুংদা মখোঙগী শরূদা শোক্লবী নুপী অমা ফল্লদুনা লৈরিবদু ফিল্ম অসিগী হিরোইন জিঙ্কিনা উরক্লদুনা নুপীদুগী খোঙ্গ্রাও অপাবা হকচাং মচুদা শেগাইরগা প্লাষ্টিক কন্টেনর/বক্কেটকুম্বা অমনা মখোঙদু য়োমশিল্লগা ফী অমনা অমুক চেৎনা পুনশিল্লগা অতেকপা মখোঙ অদুগী প্রোটেক্সন তৌবিরম্মী। তাঞ্জাদুদা বস মথক্তা মীওই অনী হান্না চৎননবা (ঐগী পালিনি হায়না মুন্নরদুনা) অঙম তান্নদুনা ফূনরক্লে। মপুকচেল পীক্লবা নুপা অনীদুনা ফূনরিবদু তোক্লনবা জিঙ্কিনা লাউরদুনা খাম্নবা হোৎনরম্মী। লোয়ননা অশোকপী নুপী অদু হান্না চৎখিনবা নুপীদুবু জিঙ্কিনা বস মনুংদগী মথক্তা য়াম্না কন্না ইনখৎপীরম্মী। নোংসু কন্না চুরক্লিবনি নুপা অনীদুনা খৎনরিবদুনা মরম ওইরগা জিঙ্কি শোক্লম্মী অমসুং বস মনুংদা জিঙ্কি তাশিল্লকখি। ঙাইহাক্তং ৱাখল মাঙলুরগা ৱাখল তারকপদা চেন লৈরম্বদা হরাওবগা লোয়ননা মহাক্কী মখূৎ তিংথোক্লগা চেনদা পীরকখি। চেনগী মখূৎনা জিঙ্কিগী মখূৎতা পায়রগা বস মথক্তা খোঙকাপ লাউনা লাউনা চেল্লদুনা মবানিমক চপ মান্ননা অমুক্তদা সেপ্তি প্লাষ্টিক বেগ অদুদা পূন্না চোংমিন্নরদুনা নপখিরম্মী। হৌজিক হিরো অমসুং হিরোইন অনীমক পূন্না চীংখৎলকপদা থৌরী অদু মফোল থোক্লে, তৎখিগদ্রা হায়না পূম্নমক্লা মীপাইনরিবনি। তশেংনমক থৌরীদু তৎখিদুনা মচিন্দু ঙাক্তা উবদা মীপূম খুদিংমক্লা পাখৎনখি। নোন্থদুনা য়েংলুবদা ঙসাইগী উশাদুদা চেন অমসুং জিঙ্কি অনীমক য়ান্দুনা লৈরম্মী। য়ানমিন্নরিবা উশাদুদগী চেননা জিঙ্কিগী মখোঙ অদুদা অঙম্বা শক্তি পুথোক্তুনা মথক্তা ইনখৎপীরম্মী অমসুং মীয়ামনা জিঙ্কিবু চিংখৎখ্রে। হৌজিক্তি চেন মশাগী মপাঙ্গল অমত্তা য়াওদ্রে। উশাদুদা য়ান্দুনা অদুমক লৈরে। অদুগা জিঙ্কিদা মোমোন নোক্লদুনা ঐগী পান্থে লৈত্রে, ঐগী পাঙ্গলগী শক্তি অসি লোইখ্রে জিঙ্কি হায়না লাউরকখি।

জিঙ্কিনা তপ্না হায়রকখি, ঐগী খুদাংসিদা নহাক অমুক্তা পায়রকউ, নঙনা হন্দক পায়রকপা মীকুপ্তুদগী ঐনা নঙবু নতোমতা খক অমুক হন্না থাদোক্লরোইদৌবনি। সে ঐগী খুদাংসিদা নহাক অমুক্তা পায়রকউ, নহাক হিরোনি কাউরবরা হায়রকখি। জিঙ্কিগী ৱাহৈদু হেক তাবগা চেন মপাঙ্গল খংকন কনখৎলকখি। খঙহৌদনা জিঙ্কিগী খুদাংদা তাপ পায়রকখি। জিঙ্কিনসু চেনবু চেৎনা পায়রকখি। হৌজিক্তি চেন নহাক নতোমতা অমুক হন্না থাদোক্লরোই, জিঙ্কি অমসুং চেন অনীমকপু পূম্নমক্লা মথক্তা চিংখৎলম্মী। মথক্তা হেক য়ৌরকপগা (নুংশিবা কৌবা শক উদবা এবষ্ট্রেক নাওন অদুনা থম্মোয় অনীগী লৈনরিবা মরীদুনা চীংশিন্নখিদুনা কেপ্তেন চেন অমসুং জিঙ্কি চেজেৎ কোনশিন্নখিদু ‘নুংশিবা’ কৌবরা) অসুম্না, মীকুপ্তা জিঙ্কি অমসুং চেন অনীমক চেজেৎ কোনশিন্নখি। মতাং অসিদা ফিল্ম অসিগী ক্লাইমেক্স অসি অরোইবীনি। অসুম্না পেসেঞ্জর পূম্নমক অৱাবা কয়ামরুমগা লোয়ননা ‘টাইফুন মনুংদসু নুংশিবগী চাংয়েং’ ফিল্ম অসি মতাং অসিদা অদুমক তেনশিঞ্জরগে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।